## ডা. আর কে রঞ্জন এম পি (লোক সভা)বু সিলচরদা তরাম্না ওকখ্রে

# ‘পুৱারীগী ওইবা মফমশিং অমদি লেঙ্গোন্নবী পাৎ ইকোলোজিকেল পার্ক ওইনা শেমগৎনবা হোৎনমিন্নসি’




সিলচর, ওক্টোবর ০৬ (জে এন এন )ঃ ঙসি সিলচরদা লৈবা অসাম মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী ভাবনদা পাঙথোকখিবা চিং লেন্নবা থৌরম অমদা মণিপুরগী লোক সভা মেম্বর ডা. আর কে রঞ্জন সিংহবু হরাউ তরাম্না ওকখ্রে। থৌরম অদুদা ডা. আর কে রঞ্জন এম পিনা মণিপুরগী ৱাংমদা লৈরিবা মণিপুরী ইচিল ইনাওশিংগীদমক অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংনবা হোৎনগনি, অসামদা লৈবা পুৱারিগী ওইবা মফমশিং অমদি লেঙ্গোন্নবি পাৎপু ইকোলোজিকেল পার্ক ওইনা শেমগৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অসাম মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ (এ এম এস পি)না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা পরিষদ অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে এন চান্দনা থৌরম মপু ওইখি। অদুগা এল গৌরবাবু, আই এস থিঙ্গোম, সাইখোম কোম্লাকান্ত সিংহনা ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

পরিষদকী, মণিপুরী বেনে–ভোলেন্ট সোসাইটি অমদি মণিপুরী য়ুথ ফ্রন্ট ওফ অসাম (এম ৱাই এফ এ)গী মায়কৈদগী ডা. রঞ্জন এম পিদা খুদোলপোৎ পীবগা লোয়ননা এম ৱাই এফ এগী প্রসিদেন্ট সেরাম হেরাজিৎ সিংহ অমদি জেনরেল সেক্রেটরী ওক্রম লখিকান্ত সিংহনা খূৎয়েক পীবা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি।

থৌরম অদুদা ডা. আর কে রঞ্জন সিংহ এম পিনা হায়, অসামগী কছার বরাক সার্কল অমদি অতৈ মফমদা মচোই মচোই খুন্দারিবা মণিপুরী মীতৈশিংগী খুল কয়াদা মীতৈ ফুরুপকী মীওই কয়া লৈ হায়বা থিজিনবদা শরুক য়াদুনা লাকখিবনি। থিজিনবা অদুগী মতুং ইন্না ১৯৮৪ অদুৱাইদা সেন্সস অমসু পুথোকখি হায়বগী ৱাফম পল্লদুনা মণিপুরী হায়বা অপিকপা ফুরুপ অসি বাংলাদেশতা লৈবা ওইরবসু ম্যান্মার (বর্ম্মা) লৈবা ওইরবসু মালেম্না শক খঙলিবা ফুরুপ অমা ওইবনা তোঙান তোঙানবা পোলিসি কয়াদা য়াওনবা কন্না হোৎনগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

ইন্দিয়ান গভর্ণমেন্টকী থাক্তা তৌবা ঙম্বা থবক কয়াদা মতেং পাংদুনা মণিপুরগী ৱাংমদা লৈরিবা মণিপুরীশিংগীদমক য়াইফনবা থবক কয়া পায়খৎনবা হোৎনগনি। মসিদা মতেং পাংবিয়ু হায়নসু আপিল তৌখি।

এম ৱাই এফ এগী প্রসিদেন্ট সেরাম হেরাজিৎনা হায়, মণিপুরগী মপান্দা লৈখ্রবা মণিপুরীশিংগী অৱা নুংঙাই কয়াদা শরুক য়াদুনা লাকখিবা ডা. আর কে রঞ্জন ঙসিদি লোক সভাগী মেম্বর ওইনা মফম অসিদা লাকপসি ঐখোয় পুম্নমক্কী চাউথোকচনিঙাইনি। অসামদা খুন্দারিবা মণিপুরীশিং অসি অসামগী য়েলহৌমী (ইন্দিজেনস পিপল) নি হায়না শক খঙবিনবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিদা তকশিনবিনবসু হায়জখি।

স্বাপন সিংহ হাইলাকান্দি, ৱাই প্রফুলো, ধিরেন সিংহ, কেঐচ অমোল সিংহসু থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখি।

মণিপুরী য়ুথ ফ্রন্ট অসামগী প্রসিদেন্ট অমসুং জেনরেল সেক্রেটরীনা খূৎয়েক পীদুনা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট খঙনা লোক সভাদা সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিলগী মায়োক্তা লেপ্লিনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা হিরম ৯ দা মীৎয়েং চঙবিনবা তকশিল্লি। অতৈ হিরমশিং অদুদি মণিপুরগী পুৱারীদা চহী ৭ খুন্তাকপা মতমগী খুদম চাংদম কয়া লৈরিবা লেঙ্গোন্নবী পাৎ (নরবিল)বু ইকোলোজিকেল পার্ক ওইনা শেমগৎনবা, কলচরেল য়ুনিভর্সিটি মণিপুরগী কেম্পস অমা সিলচরদা থম্বিনবা, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মণিপুরীশিংগী কলচরেল ইন্টিগ্রেসন অমসুং ওটোনোমি পীবিনবা, সিলচরদগী ইম্ফাল ফাওবা দাইরেক্ট ফ্লাইট সার্ভিস লৈহন্নবা, সিলচরগী অনৌবা মফমদা মণিপুর ভবন অমা শাবিনবা, অসাম একোর্দ থবক্তা ওন্থোকপগী মতুং ইন্না অসাম মণিপুরীশিংবু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা অসামগী য়েলহৌমী কম্ম্যুনিটিগী মনুংদা চলহন্নবা, এন আর সি লিষ্টতা য়াওহৌদবা অসাম মণিপুরীশিংবু কন্দিসন য়াওদনা য়াওহন্নবা অমসুং বিষ্ণুপ্রিয়া কম্ম্যুনিটিবু সেন্ট্রেল ও বি সি ওইবা য়াহন্দবা হায়বনচিংবা মেমোরেন্দম অদুদা পল্লি।

## নম্বোল মাইবমদা উ চারা ৫০০ রোম থাখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (এস এন এস )ঃ নম্বোল কেন্দ্রগী এম এল এ নামৈরাকপম লোকেন সিংহগী মীৎয়েং মখাদা মাইবম য়ুথ ক্লব কম লাইব্রেরী অমদি মাইবম ৱেলফেয়ার ক্লব খূৎশম্নমা শীন্দুনা ঙসি খুল অসিগী চীং অমসুং অকোয়বা মফমশিংদা উ চারা ৫০০ রোম থাখ্রে। উ চারা থাখিবা অদুদা নহারোল ৫০ হেনবনা শরুক য়াখি হায়না মাইবম য়ুথ ক্লব কম লাইব্রেরী নম্বোলগী প্রসিদেন্ট এল জাদুমনিনা ফোঙদোরক্লি।

## প্রসিদেন্ট ফমদগী লৌথোকখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ০৬ (এস এন এস )ঃ এফেক্তেদ লেন্দ ওনরস এসোসিয়েসন এগেনষ্ট দ কন্স্ট্রক্সন ওফ মেগা ফুদ পার্ক এট ৪৪–য়াইথিবী খুনৌ /লৌকোলগী ঙরাং ফমখিবা এগজিক্যুটিভ বোদি মিটিংগী ৱারেপ মতুং ইন্না অলিমুদ্দিন অপোকপা লৈখিদ্রবা রহিম অলি সোরা অৱাং লৈকাইবু এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট ফমদগী মতম চুপ্পগী ওইনা লৌথোকখ্রে।

এসোসিয়েসন অসিগা মহাক্কা মরী লৈনদ্রে। অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা খন্দ্রিবফাওবা ভাইস প্রসিদেন্ট এম কোরুংথাং মরিংনা প্রসিদেন্টগী থৌ পুরে হায়না সেক্রেটরী কে মনিহার সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

## হন্নজিংগী মিং শীজিন্নবিগনু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (এস এন এস )ঃ চীংমৈপাক লৈকন লূপনা মেরা হাওচোংবগা মরী লৈননা পোৎ লানবগী থৌরম পাঙথোকপদা লাইমিং কোলোইনা অয়েৎপা লৈজদে। তৌবতবু হন্নজিং চীংমৈ পক্তুনা থৌরম পাঙথোকপদি য়াবা ঙম্লোই। মরম অদুনা থৌরম অসিদা হৈঙাংদা লৈবা হন্নজিংগী মিং শীজিন্নবিগনু হায়না লাইমিং কোলোইগী প্রসিদেন্ট মুতুম মঙ্গি মৈতৈনা অমুক্কসু হন্না ফোঙদোরক্লি।

## ককচিং হোস্পিটালগী অৱাৎপশিং অথুবদা মেনশিন্দ্রবদি খোঙজং চঙশিনগদৌরি

ককচিং, ওক্টোবর ০৬ (এস এন এস )ঃ মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ককচিংগী অৱাৎ–অপাশিং অথুবা মতমদা য়েংশিন্দুনা মেনশিন্দ্রবদি ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু ) ককচিং দিষ্ট্রিক কম্মিটিনা মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ককচিংদা পাউমীশিংগা উনবদা এমসু হেদ ক্বার্টরগী সেক্রেটরী (ওর্গনাইজেসন) প্রবিন মোইরাংথেম্না হায়, কম্ম্যুনিটি হেলথ সেন্টর (সি ঐচ সি) ককচিংবু দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী থাক্তা ওনখৎলবা তুংদা হোস্পিটাল অমগী তঙাইফদবশিং অমদি এম্বুলেন্স ফাওবা লৈত্রি। অসিদসু নত্তনা লৈফম থোকপা স্পিসিয়েলিষ্ট ডাক্তর লৈতবগী অৱাবা কয়াসু মীয়াম্না মায়োক্নরি। ককচিং কৈথেলদগী হোস্পিটাল য়ৌবা লম্বীসু অসুক্কী মতিক ফৎত্রে, কোংকুৎ ঙাক্তা ঙাইরে। অনাবশিং হোস্পিটাল অদুদা পুরকপদা খুদোংথিনিঙাই ওইরে। অদুনা হায়রিবা লম্বী অসিসু অথুবা মতমদা শেমজিনবিনবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী পূক্নিং চিংশিনখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, নৌনা শেমখিবা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট অমদি থংনরিবা দিষ্ট্রিক্টকী বাউন্দরি (লমখৈ) অথুবা মতমদা গভর্ণমেন্টনা লেপথোক্কদবনি। দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরিদা চয়েৎনবা কয়া থোরক্তুনা খুন্দামিন্ন–রিবশিংগী মরক্তা উংখৎনরক্তুনা কাঙলূপকী ওইবা ইরাং ফাওবা থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈতবা নত্তে। অসিগুম্বা থৌদোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা মাঙজৌননা দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরি অথুবা মতমদা লেপথোক্লবা হোৎনবিয়ু। পাউমীশিংগা উনবা অদুদা এমসু ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

## এন সি পি সি আরগী টিম চান্দেলদা লাক্কদৌরি

চান্দেল, ওক্টোবর ০৬ (এস এন এস )ঃ ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী ষ্টেটুটোরি বোদি ওইরিবা নেস্নেল কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইট (এন সি পি সি আর)গী টিম চান্দেলদা লাক্তুনা চৎলিবা থা অসিগী ১৮ দা দিপ্যুটি কম্মিস্নার ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা চাইল্ড রাইটকী মতাংদা সিটিং ফমগদৌরি।

নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ১০ দগী হৌগদবা সিটিং বেঞ্চ অসিদা অঙাংশিংগী হক্তা শীংনবগী লাকপা ৱাকৎ কয়া কম্মিসন্না তাগনি। মসিগীদমক চাইল্ড রাইটকী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিং, অঙাংশিং, মমা মপা অমদি গার্জিয়ানশিং, ক্যারটেক্করশিংনা মখোয়গী ৱাকৎ অদু অয়ুক পুং ৯ দগী রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়াগনি হায়রি। মসিগা মরী লৈননা দিপ্যুটি কম্মিস্নার চান্দেলনা হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা নোটিস অমসু থোকখ্রে।

ৱাকৎকদবা এরিয়াশিংগী মনুংদা দরকার ওইবশিং ৱাৎপনা মরম ওইরগা স্কুল কাদবা, কেপিটেসন ফিগা মরী লৈনবা, স্কুল মিং চন্দবা, দিসএবিলিটিগা মরী লৈননা মান্নদবা মীৎয়েং য়েংবা, এন সি ই আর টি নৎত্রগা এস সি ই আর টিগী লাইরিক নত্তবশিং, মিদ দে মিল, দ্রগ এব্যুজ, দ্যুশিং পীদবা, চাইল্ড লেবরশিং কনবা অমদি ঙাক শেনবা, অঙাং লল্লোনবা, অঙাংশিংবু য়ুমগী শিন্মী ওইনা শীজিন্নবা, এসিদ এটেক্টকা মরী লৈনবশিং, নমদুনা চাক্নি ফিনিবা ওইহনবা, দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সতা ভিক্টিম ওইবা, পুলিসনা অঙাংশিং ফুবিবা, য়েংশিনবিদবা অমদি থৌশাবিদবদগী শিবা, নমদুনা ফাবা, থিবা খঙখিদবা, মতোমতা শিজবা, মেদিয়াদা অঙাংগী রাইট শীংনবা, মেদিকেলগী লমদা থৌৱা শাদবা অসিনচিংবা হিরম ৩১ সু পীরি।

## বোরোবেক্রাদা গৌর লীলানচিংবা মখল মথেলগী কুঙ্কো উংখ্রে

জিরিবাম, ওক্টোবর ০৬ (জে এন এন)ঃ বোরোবেক্রা ৱার্দ নম্বর ৬ তা লৈবা রাধাকৃষ্ণ মন্দিরদা রাধাকৃষ্ণ দুর্গা পুজা কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকপা দুর্গা পুজাগী থৌরমদা কংলৈ মশেক মঙাল কলচরেল ওর্গনাইজেসন্না গৌর লীলা অমদি মখল মথেলগী ওইবা নাৎকী কুঙ্কো উংখ্রে।

বোরোবেক্রা রাধাকৃষ্ণ পুজা কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরী পি জিতেন সিংহনা কংলৈ মশেক মঙাল কলচরেল ওর্গনাইজেসনগী মীওইশিং লাক্তুনা শরুক য়াবিরা অমসুং মখল মথেলগী হরাউ কুঙ্কো পাঙথোকপিরম্বগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি লোয়ননা মণিপুর ফুদ ইন্দষ্ট্রি কোর্পোরেসনগী ভাইস চিয়ারমেন কে সরতকুমার সিংহবুসু অঙম্বা মতেং পাংবিবগীদমক থাগৎখ্রে।

## ফিট ইন্দিয়া

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (এস এন এস )ঃ আই জি এ আর (সাউথ) হেদ ক্বার্টরগী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা ঙরাং চুরাচান্দপুর পিছ গ্রাউন্দদা ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্টকী লমজেল দি আই জি অসাম রাইফলস চুরাচান্দপুর সেক্টর বৃগেদিয়র ঐচ আর দেসাই অমদি এ দি সি চুরাচান্দপুরগী চিয়ারমেন টি পাউখললিয়ান্না লমথাদুনা পাঙথোকখ্রে। নুপী অমসুং অঙাং য়াওনা লমজেল্লোই ৫৫০ না শরুকয়াখি। খ্বাইদগী নহা ওইবা অমসুং অহল ওইবা লমজেল্লোইদা অখন্নবা মনাসু পীখি হায়রি।

## মীতৈচনু ২০১৯ঃ নাচোম শেম্বা, চেঙ খৈবা–খপ্পা, মথেল লুকোই থোংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (এস এন এস )ঃ মরি শুবা মৈতৈ চনু ২০১৯ ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা থৌগায় পাঙথোরকপগী মনুং চন্না ঙসি মেরাগী ৮ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎতা শকহেনবী চাংদম্নরোইশিংগী নাচোম শেম্বা, চেঙ খৈবা–খপ্পা অমদি মথেল লুকোই থোং থাকপগী থৌরম নোংপোক সঞ্জেম্বম খুল্লেন্দা লৈবা নোংপোক নিংথৌ পালুঙম্বা ইমা পান্থোইবী লাইবুংদা পাঙথোকখ্রে।

ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী কনভেনর ৱারেপ্পা নামৈরাকপমচানা থাদো–রকপা চেরোলনা হায়, নাচোম হায়বসি মীতৈ নুপীশিংগী ওইনা মরু ওইবা অকে অমৌগী পোৎশক অমা ওইরি। নাচোম চিনবগী মওং মতৌ য়েংলগা নুপী অমবু চনুনি নৎত্রগা লৈমনি খঙবসু ঙম্মী।

চেঙ খৈবা–খপ্পগী অমসুং মথেল লুকোই থোং থাকপগী থৌগায়সু ঙসি পাঙথোকখ্রে। মীতৈগী মরু ওইরিবা মথেল অনী উতি অমদি চগেমপোম্বা থোং থাকপগী থবক চাংদম্নরোইশিংনা মশা মশানা খূৎলোইবা অমা খন্দুনা থোংখি। থৌগায় অসিনা কাও–থোক্লরবা ঐখোয়গী চৎনবিবু নোংমতং ওইরবসু নীংশিংমিন্নবগী খুদোংচাবা পীরি।

মীতৈ চনু ২০১৯ গী মনুং চন্না চৎলিবা থা অসিগী ৮ লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মখা তানা ৱাই তৈবগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি।

## আর কে সি এস নীংশিং লাই য়েকপা চাংদম্নবগী ফল লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (এস এন এস )ঃ ১১ শুবা আর কে সি এস নীংশিং অঙাংগী লাই য়েকপা চাংদম্নবা ঙসি কৈশামথোংদা লৈবা আর কে সি এস আর্ট গেল্লরিদা পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা ফলসু লাউথোকখ্রে।

আর কে সি এস ম্যুজিয়ম ওফ আর্টস এন্দ ক্রাফটস কৈশামথোংগী সেক্রেটরী আর কে বুধিমন্ত কর্তনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, অঙাং ১৫০ না শরুক য়াদুনা চথখিবা লাই য়েকপা চাংদম্নবা অদুদা অথোই অহেন তারবা অঙাংশিংদা মনা মথুম চৎলিবা থা অসিগী ১৩ দা আর কে সি এস গেল্লরিদা পাঙথোক্কদবা আর কে সি এসকী ৯৫ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা য়েন্থোক্কনি।

কাঙলূপ অনী থোক্না খায়দোক্তুনা চথখিবা চাংদম্নবা অদুদা গ্রুপ এগী কাঙলূপ্তা কমপ্রেহেন্সিভ স্কুলগী ব্রী কর্ম্মা লৌরেম্বম্না অহানবা, নিরমলাবাস হায়স্কুলগী ব্রেনিস সিঐচনা অনীশুবা অদুগা রিগুলর ইংলিস স্কুলগী এল বোলসন সিংহনা অহুমশুবা তাখ্রে। গ্রুপ অসিগী ওইনা কন্সোলেসন প্রাইজগীদমক ইনো–ভেটিভ একাদেমিগী এল রোহিত, কে ভি লম্ফেলগী সুনাইনা সাইখোম, স্কোলর একাদেমিগী এন লেম্বা, আর কে স্নাতোম্বী বিদ্যলয়াগী থিয়াম জেসিনা অমসুং লিট্টল ফ্লৱার স্কুলগী পহেল্লী নোংথোম্বমবু খনখ্রে হায়রি।

গ্রুপ বিগী ওইনা পিতম্বরা ইংলিস স্কুলগী মার্তিন তোংব্রমনা অহানবা, স্কুল অসিমক্কী ভেনিস কৈসাম্না অনীশুবা অদুগা কেন্দ্র বিদ্যলয়া (কে ভি) লম্ফেলগী প্রেশীলা হৈক্রুজম্না অহুমশুবা তাখ্রে। গ্রুপ অসিগী ওইনা কন্সোলেসন প্রাইজগীদমক হেরিটেজ কনভেন্টকী ৱাই উদোয়নন্দ, খুমন মহৈকোলগী ধনরাজ রাজকুমার, মারিয়া মোন্টেশ্বোরগী সুরজ য়ুমলেম্বম, ৱাংখৈ হায়স্কুলগী রিবার্সন মাইবম অমসুং কোংপাল ইম্ফাল মোর্নিং হায়স্কুলগী হিদম লাক্সনা সিংহবু খনখ্রে হায়রি।

## মপুগী লাইলোন নুংলোন্না লায়েংবগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (এস এন এস )ঃ য়ুনিভর্সিয়েল ফেমিলি ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও)না শীন্দুনা তাইবঙ মপুগী লাইলোন, নুংলোন্না লায়েংবগী থৌরম লাক্লিবা মেরাগী ১০ নি পানবা শগোলশেল নুমিৎতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা তখেল মখা লৈকাই কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্কদৌরি।

য়ু এফ ওগী সেক্রেটরী পব্লিসিটি নাওরেম কবিচন্দ্র মঙাংনা থাদোরকপা চেরোলনা মীওইবা খুন্নাইনা থেংনরিবা অৱা অনা খূদিংমক কোকথোকমিন্ন–রসি হায়রদুনা লায়েংবা লাকপদা ইংখোলগী পাক চাউবা পুরক্লবসু খঙহল্লি। য়েংগদবা লাইওংদি য়ুম ইংখোলগী অকোয়বদগী লাকপা লাইরম তিল্লম্না নন্দুনা য়ুম ইংখোল ফাওদুনা য়ুম য়াওনা চঙলকপদগী ওইরকপা, য়ুমশারোল কায়না য়ুম শারগা লৈবা, য়ুম অমগী উরেপ উয়ুং হাপ্তনা লৈবা, হাপ্পবসু থৱায় য়াইবিরেল অচঙবা য়াওদনা লৈবদগী ওইরকপা অৱা অনা অমদি মীওইবশিংগী মরক্তা কল্লক মীহৌবা য়াওরকপদগী অমগা অমগা হিকাপ টেনকাপ, মীহু লাইহু তৌনদুনা ওইরকপা অসিনচিংবনি।

থৌরম অসি নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ১০ দগী হৌরগা নুংথিল পুং ৪ ফাওবা চথগনি হায়রি।

## টি ই টি য়াওগদবা কেন্দিদেটশিংগী মীফম্না সেন্টর থম্বিনবা হায়জখ্রে

জিরিবাম, ওক্টোবর ০৬ (জে এন এন)ঃ টিচর ইলিজিবিলিটি টেষ্ট (টি ই টি) য়াওগদবা দিপ্লোমা ইন ইলিমেন্টরি এদুকেসনগী ট্রেনিং লোইখ্রবা ওঝাশিংগী অপূনবা মীফম ঙসি জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোক্তুনা জিরিবামদা সেন্টর থম্বিনবা হায়জখ্রে।

মীফম অদুগী মতাংদ এন ধর্মেন্দ্র মীতৈনা ফোঙদোরকখিবদি জিরিবামদা দেলিটকী ট্রেন তৌরবা ওঝা ২০০ গী মথক্ত লৈরি। হায়রিবশিং অসি পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী টি ই টিদা কেন্দিদেট ওইগদৌরিবনি। মরম অদুনা জিরিবামদা টি ই টিগী সেন্টর অমা হাংদোক্লবা গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিদা হায়জবা হায়না ঙসিগী মীফম অদুনা ৱারেপ্লখি।

জিরিবামগী কেন্দিদেটশিং ইম্ফালদা চত্তুনা টি ই টি য়াওনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা শেল থুমগী অৱাবা কয়া লৈতবা নত্তে। অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং অসিসু গভর্ণমেন্ট অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা খঙবিফম থোকই। মরম অদুনা কেন্দিদেট ২০০ হেন্না লৈরবদি সেন্টর অমা পীবা য়াগনি হায়বগী থাজবদা মীফম অদুনা ওথোরিটিগী পূক্নিং চিংশিনবনি হায়রি।

HANDICRAFTS EXHIBITION

FOR 30 S.C. CLUSTER ARTISANS
under A.H.V.Y. Scheme of D.C. (Handicrafts)

*Organised By:*
*M/s The Moirang Thanga Skill Worker's Development Co-operative Society Ltd.*
*Moirang, Bishnupur District, Manipur.*

*Sponsured By :*
*Office of the Development Commissioner (Handicrafts)*
*Ministry of Textile,*
*Govt. of India, New Delhi*

Dated 4th Oct. 2019 to 13th Oct. 2019

Venue : Saiton Bazar Moirang, CD. Block, Bishnupur District

SL/5377/ 7 to 13

## মোরে লম্বী ব্লোকেদ তৌগনি তৌরম্বদু নুমিৎ হুম্নি য়েথোকখ্রে



মোরে, ওক্টোবর ০৬ (এস এন এস )ঃ ওল ট্রাইবেল সেন্দ ষ্টোন লেবর এসোসিয়েসন মোরে অমদি গোল্ডন টিম্পর ওনর ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন্না মোরে ইম্ফাল লম্বী ব্লোকেদ তৌগনি হায়না তৌরম্বা অদু নুমিৎ হুম্নি হায়বদি চৎলিবা থা অসিগী ৯ ফাওবা য়েথোকখ্রে।

এসোসিয়েসন অনী অসিগী ৱাঙাংলোই অমদি হিল ট্রাইবেল কাউন্সিলগী পি এস গাংতেনা ফোঙদোরকখিবদি ঙসি নুংথিল মোরে পুলিস আই বিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা অপূনবা মীফম অমনা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী থা অসিগী ৯ ফাওবগী মনুংদা তাল্লিবা দিমান্দশিং থবক্তা ওন্থোক্লগনি হায়বগী থাজবা পীবদগী ব্লোকেদকী খোঙজং অদু কোমথোকপনি। অদুবু হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা থবক ওইনা পাঙথোরক্তবা তারবদি মথংগী শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক্তগী মতম কক্তনা মোরে ইম্ফাল লম্বীদা ব্লোকেদকী খোঙজং চঙশিনগনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা এস পি তেংনৌপল টিঐচ বিক্রমজিৎ সিংহ, ফোরেষ্ট মিনিষ্টরগী পি আর ও বিমোল, তেংনৌপলদা লৈবা ১২ অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট রাজেস চৌদারি, কষ্টমস প্রিভেন্টিভ ফোর্স মোরেগী এস পি টি বিজান্দো, এদিস্নেল দিপ্যুটি কম্মিস্নার এল মনিকান্ত, এস দি ও আই দিনেসকুমার, এদিস্নেল এস পি (ওপস) এম অমিট, এস দি পি ও মেঘবর্না, ও সি লেৎখোহাও ৱাইফে, ও সি কম্মান্দো হেমাচান্দ অমদি হিল ট্রাইবেল কাউন্সিলগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি হায়রি।

## কংলৈপাক মোদর্ন স্কুলগী লুপা ফুদোংবা থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (এস এন এস )ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা শিংদা কদাংবনদা লৈবা কংলৈবাক মোদর্ন স্কুলগী লুপা ফুদোংবা অমদি চহীগী মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম ঙরাং স্কুল অসিদা পাঙথোকখ্রে।

স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল ঐচ মঙলেম্বা লুৱাংনা ফোঙদোরকখিবদি থৌরম অদুদা ঐচ দিঙ্গো এম এল এ (সেকমাই)না অথোইবা মীথুং, সোইবম ইন্দ্রজিৎ মীতৈনা থৌরম মপু অদুগা লাইরেনকাবি কদাংবন জিপিগী প্রধান ই প্রেমি লৈমনা ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইখি। হিয়াংথাং জিপিগী প্রধান ওইরম্বা শগোলশেম ইবোহলসু থৌরম অদুদা য়াওখি অমসুং ডা. ধনবির লাইশ্রম্না রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

কুমসিগী ওইনা ১৯ শুবা হিজম লম্ফেল এন্দ ৭ শুবা নোবো এৱার্দ হিজম ঙানস্নাদা পীখ্রে। শগোলশেম পিশক এৱার্দনা মথংশিংনা ঐচ ঙানস্না চনু, তোঞ্জম তম্ফাস্না চনু অমসুং নিকে নোংমাইথেমদা পীখ্রে হায়রি।

## লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (এস এন এস )ঃ নোংচুপ হারম খোরজৈ লুপ অশম্বিদা নোহাখোলনা শীন্দুনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ১.১৫ চৎপা মতমদা শগোলবন্দ লাংজিং অচৌবা মমাঙ লৈরক কম্ম্যুনিটি হোলদা তোংব্রম শামুঙৌনা ইবা ‘মপাউনি, ঐগী থম্মোয়গী’ হায়না মিংথোনবা শৈরেংগী লাইরিক অমা ফোঙখ্রে।

থৌরমসিদা মোংজম রোমেন সিংহ প্রধান লাংজিং জি পিনা চীফ গেষ্ট, ডাক্তর এল শশীকুমার য়ুরেম্বম প্রসিদেন্ট, নোহাখোলনা থৌরম মপু ওইখি। লৌরেম্বম রোকোবান সিংহ সোসিয়েল ৱার্কর, খংব্রাকপম ওংবী চিত্রলেখা দেবী ৱার্ড মেম্বর ২ লাংজিং জি পিনা মথংশিংনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি। ডাক্তর কে শান্তিবলা দেবী এসোসিয়েট প্রোফেসার এম য়ু মণিপুরী দিপার্টমেন্টনা লাইরিক্কী মরমদা মশক তাক্তুনা ৱা ঙাংখি।

## ঙসিগী রাষি ফল (০৭–১০–২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১,২,৩ অফবনি।

**বৃষঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, অরুবা খরা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা, অচৌবনা চানবিবা, পোৎ লৈবা য়াবা, শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ৩,৪,৫ অফবনি।

**মিথুনঃ** অশোক অপন থেংনবা, খৎনবা, শাওনবা, মীনা য়েংথিবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়ারগনি। হকচাং ৱাখল নুংঙাইরোই। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৫ ফগনি, ৬ হেন্না ফত্তে, ৭ খরা ফগনি।

**কর্কটঃ** শাওনবা, খৎনবা, কোক শাবা, শেল চৎপা মতম্নি। চরক চহিং নাইগনি। মীনা য়েংশিনবা মতম্নি। লম চৎপা চেকশিল্লু। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৭ ফগনি, ৮ ফত্তে, ৯ খরা ফগনি।

**সিংহঃ** চাউখৎপা, হকচাং ৱাখল ফগৎপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, অরুবা খরা পাঙথোকপা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১০, ১১,১২ অফবনি।

**কন্যাঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, অরুবা পাঙথোকপা, হকচাং ৱাখল থবক থৌরমদা অফবা ওইবা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১২,১৩,১৪ অফবনি।

**তুলাঃ** হকচাং চাং অমদা লৈরগনি। খৎননিংগনি। শাওদবা ফগনি, পোৎ লৈবা য়াগনি। মীগী মতেং ফংলগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৪ ফগনি, ১৫ ফত্তে, ১৬ ফগনি।

**বৃশ্চিকঃ** চরক চহিং নাইবা মতম্নি। পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবা হৈ শিংউ। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৬ ফগনি, ১৭ চাং অমদা লৈ, ১৮ খরা ফগনি।

**ধনুঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা, লমতু চৎপা খুদোংচাবা মতম্নি। অচৌবনা চানবিরগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৯, ২০, ২১ অফবনি।

**মকরঃ** হকচাং ৱাখল ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, শেল ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা, শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২১,২২,২৩ অফবনি।

**কুম্ভঃ** শোক্কনবা, শাওনবা, খৎনবা, শেল চৎপা মতম্নি। ঐগী মী মশীং হন্থবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৩ ফগনি, ২৪ ফত্তে, ২৫ খরা ফগনি।

**মীনঃ** শাওদবা ফগনি। শেল মরম চাদনা চৎলগনি। য়েক্লবা হেনগৎলগনি। লম চৎপা মী তিন্নবা চেকশিল্লু। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ২৫ ফগনি, ২৬ ফত্তে, ২৭ ফগনি।







